থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ৱাথোকসিনা লুশিল্লক্লবা, স্পিকরদা য়েংনরক্কনি

কুমজা ১৯৬৭তা ইন্দিয়াগী ষ্টেট ‘তরাতরুক’ - মতম অমত্তদা এসেমব্লি ইলেক্সন পাঙথোকখি। কুমজা ১৯৫২- ইন্দিয়াদা ইহান হান্না ‘মীখল’ পাঙথোকপা হৌখিবা মতমদুদা ইন্দিয়াদা প্রজাশিংগী মীত্তা উখিবসি ‘ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস মথন্তনি। নীংতম্বা ইনি দয়া অমগীদমক অকনবা ঈহৌ (অন্দোলন) অমা লুচিংলকখিবা ‘মহাত্মা গান্ধী’না মঙজখিবা মঙ অদুদি পোলিটিকল পার্টি লীংদবা লৈঙাক মখল অমনি। কুমজা ১৯৪৭ বৃটিশ’না ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চৎননবা শেম শারক্লবদা ঈহৌ হৌমিন্নরকখিবা লুচিংবশিংদা হায়খি - ‘হৌজিক্তি ইন্দিয়া নীংতম্লনি ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস মুথৎলসি, অনৌবা লৈঙাক অমা হৌনবা’। গান্ধীগী ৱা অদু কনামত্তনা তাখিদে। হিন্দুশিংগী লৈপাক অমা, মুসলিমশিংগী লৈপাক অমা - নেসন অনী শেম্বগী ৱাখল্লোন্দা উংখৎনরকখি। হিন্দুস্থান পাকিষ্টান শেম্লবা তুং, তুংইন্নরকখিবা মীশি-মীনা, অমত্তা ওইনা মচিন-মনাও ওইনা লৈমিন্নগদবা অনীদুনা পুন্সিগী ওইনা য়েক্লবা ওইনা লৈহৌগদবদুগী খনবদা মহাক য়াম্না ৱাখি। মহাক্না নীংখিবা ইন্দিয়া অদু ওইররোই খঙখি, মশানা - কনানসু মৱা লৌবীদ্রবা অহল অমা। মচাশিংদা হায়রমখি - ইন্দিয়ন পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিনগে খল্লুরনু।

ইন্দিয়াবু নীংতমহল্লকখিবা পার্টি অদু অসিনি হায়না শক্তাক্তুনা, লৈপাকসিবু ঙাক্কদবা পোলিটিকল পার্টি অদু অসিনি হায়দুনা কুমজা ১৯৫২ দগী পাঙথোকপা হৌরকখিবা মীখল খুদিংমক্তা মথন্তনা মায় পাক্লকখি - অমগী মথংদা অমা। অতোপ্পা পোলিটিকল পার্টিশিং - সোসলিষ্ট পার্টি, কিষান মজদুর প্রজা পার্টি, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া, ভারতিয়া জন সংঘ, হিন্দু মহাসভা, রাম রাজ্য পার্টি ... অসিনচিংবা ময়াম মমীংতগী ওইনা লীংখৎপা পার্টি ওইরম্মী। কুমজা ১৯৬৭কী ষ্টেট তরাতরুক্কী মীখলদদি মহারাষ্ট্র নত্তনা কোংগ্রেস মথন্তনা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙম্বা ষ্টেট অমত্তা য়াওদরে। লৈঙাক অমা শেমদবদি য়াদবনা, মীখল মমাঙদা হুন্নদুনা চৈনরম্বা, অমনা অমদা হুরানবা শীনরম্বা ময়ামদু অমত্তা ওইহনবগী কোঅলিসন সিষ্টেম, শিংশু-লৈঙাক-ইহান হান্না ইন্দিয়াদা কুমজা ১৯৬৭তা থুংলখি। ইকুই কুইদে থুংলখি - চোংথোক-চোংশিন-পোলিটিক্স। মাগী মাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা, রুল্লিং পার্টিদা য়াওনবা মশাগী পোলিটিকল পার্টিদু থাদোক্লিং’ মতমদা থাদোকপা।

অসুম্না, পোলিটিক্সপু ফাগি তাহনবা পোলিটিকল কলচর অসি থিংনবা, ইন্দিরা গান্ধীবু মশামক্কী বোদিগার্দ’না নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মতুংদা, চাউবোক পোলিটিসিয়ন, প্রাইম মিনিষ্টর রাজ বি গান্ধী’না কুমজা ১৯৮৫দা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী তরাশুবা সিদ্যুল হাপচিল্লক্তুনা ‘এন্টি দিফেক্সন লো’ কৌবা পোলিটিসিয়ন (এম পি/এম এল এ) শিংনা পার্টি অমদই অমদা চোঙবা থিংনবা অনৌবা আইন অমা শেম্লকখি। কন্সটিট্যুসনগী ৫২শুবা এমেন্দমেন্ট (শেমদোকপা) ওইনা শেম্লকখিবা লো অসি চোংথোক চোংশিন তৌবা থিংনবগী পান্দমদা শেমখিবা ওইরবসু, মীয়ামগী মীহুৎ অমনা মহাক্কী পার্টি থাদোক্লগা অতোপ্পা পার্টি অমদা চোংবা শুকয়ামক য়াদনবা অথিংবা পীবা আইন অমা হায়বদুদি ওইখিদে। পার্টি অমগী মীহুৎ ওইনা কারক্লবা অপূনবা মেম্বর মশীংদুগী অহুমথোকপগী অমা পুনশিন্নরবদি পার্টি হোংবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা পীবনা আইন অসিবু লান্না শীজিন্নবা য়াবগী তাঞ্জা অমা কোম্না পী। অশোয়বা অসি পুথোক্তুনা ইন্দিয়ন লো মেকরশিংবু মমিৎ মমায় পাঙহনখিবদি, মতম অমগী মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর হাওবম বোরোবাবুনি।

মহাক্কী এক্সন’দুনা মরম ওইরগা, লো অসি হেন্না চেৎশিনহন্নবা, কুমজা ২০০৩ অটল বেহারি বাজপাই’না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈ কন্সটিট্যুসনগী ৯১শুবা এমেন্দমেন্ট বিল পুথোকখি। অপূনবা মীহুৎ মশীংগী শরুক ‘অহুম থোকপই অম’না চোংথোকপা য়াহল্লম্বদু অহুম থোকপই অনী নৎত্রবদি য়াহনখিদ্রে। ইন্দিপেন্দেন্ট মেম্বর অমনা পোলিটিকল পার্টি অমদা য়াওরকপসু য়াহনখিদ্রে। কনাগুম্বা মেম্বর অমনা, মশাগী পার্টি অদু থাদোক্লগা অতোপ্পা পার্টি অমদা য়াওনীংলবা, মহাক পার্টিদুদই তোকপদা নত্তনা এম এল এ নৎত্রগা এম পি ওইবদুদগীসু হান্না রিজাইন তৌগদবনি। গুজরাটকী ‘মানবদর’ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী এম এল এ ওইনা কাখ্রগা ওপোজিসন বেঞ্চ’তা ফম্বদু পাল্লক্তবদগী ‘শ্রী জৱাহর চৌদা’ এম এল এ ফমদগী রিজাইন তৌদুনা সীট অদু হাঙহল্লগা, অমুক নৌনা বি জে পিগী টিকেট’তা লেপ্লগা কারক্লগা মিনিষ্টর ওইখি।

মতৌ অদুগুম, ঐখোয়গী ওনরেবল মিনিষ্টর শ্যামকুমার, কোংগ্রেস টিকেট’তা কারকখিবনি, অমুক নৌনা বি জে পি টিকেট’তা লেপ্লবসু হান্নদই হেন্না ভোট মশীং হেল্লগা কারক্কনি... মীয়াম্না অদুম হায়নবনি। অসুক ময়েক শেংনা কন্সটিট্যুসন ভাইওলেট তৌরে খঙলবসিদসু ‘এসেমব্লিগী স্পিকর’ চহী অনীমখায় চূপ্পা মীত্তাংবা-লোম্হোক্তবা অমগুম লৈবদা কনানসু করিমত্তা হায়দে। অতোপ্পা মখোয় তরেৎ অদুগী নোংদম্বসু স্পিকর ‘খেমচান্দ’ নি। হৌজিক হৌজিকমক ফোং ফোং শানা থোক্লিবা শক্তি মুন্নবগী ৱাথোকসিনা লুশিল্লকতুনা বি জে পি মচেৎ তাবগী ফীভম লাক্লবা- মতমদুদসু পূম্নমক্কী মীৎয়েং স্পিকর’ লোমদা য়েংলক্কনি। মতমদুদদি মহাক, হান্নগুম মখূৎ খূত্তুম তাশিন্দুনা লৈবা য়ারক্লোই। কলম পায়খৎলক্কনি। ঐদি খঙই - মতমদুদা মহাক্না থৈদোরক্কদবা কলমদুগী মচিন কদোমদা ওইরক্কনি? অদুবু, হায়দোকপা য়াদে।

অদোম নীংশিংবীদ্রবরা - নহানৱাই, অসিগুম্বা তানফম অমদা ‘ৱাহেংবম নিপামচা’না স্পিকর ওইরিঙৈদা, মফম মতম, তাঞ্জাদুনা য়াদদুনা মহাক্না ফমফম সুকথোক থোক্তবা চীফ মিনিষ্টরগী চৌক্রিদুদা ‘নিপামচা’ না ফমখিবদো? অদুগুম্বা তাঞ্জাদো হন্দকসু ওইরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

লৌশিং পুক্কে

# হূই লোইবনা মীওইবদা পীরিবা কান্নবশিং



মী ওইবনা করম্বা মতমদগী হূই লোইবা হৌখিবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু মমাঙ চহীদা ফোঙখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়, চাউরাক্লা চহী ২০,০০০ লোমগী মমাঙদগী য়ুরোপতা মীওইবনা হূই লোইবা হৌরে।

নিওলিথিক্কী মতমদগী মীওইবা অমসুং হূইগী মরক্তা মরুপ-মপাং ওইবগী অমসুং অমনা অমবু মতেং পাংনবগী তোপ-তোপ্পা মরী অমা থম্নদুনা লাক্লে। মীওইবনা হূইশিং নীংথিনা তাকপী-তন্বীরগা শা-তানবদা মতেং পাংহনবগী পুৱারী ময়েক শেংনা লৈরি। খ্বাইদগী হায়বা ইনবা অমসুং মপু নীংবা শা মখল অসিনা য়ুম শঙদুনা হুরান-চিন্থি চঙহন্দবগী থৌদাংসু লৌদুনা লাক্লি।

তোঙান তোঙানবা ষ্টদিশিংগী রিপোর্টনা হূই লোইবনা হকশেলদা কান্নবা পীবগী ৱাফম ফোঙদোক্লি। মেদিকেল ন্যুজ টুদে (এম এন টি) দা ফোঙলকপা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়, হূই লোইবা মতমদা মনুং-মতম চাদনা শিবা য়াবগী রিস্ক শরুক অহুমলোম হন্থরকই।

কেম্ব্রিজদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ হার্ভার্দকী রিছার্চরশিংনা হায়, হূই লোইবা মীওইশিংদা থম্মোয়গী লায়না ওইরকপা য়াবগী রিস্ক হন্থরকই। ৱাফম অসিগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক হূই লোইবা মতমদা মীওইবগী পুন্সি মহিং হোংদোরকপনা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

কলম্বিয়াদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ মিসোরি অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা গ্লাসগো কেলিদোনিয়ন য়ুনিভর্সিটিগী তোঙান তোঙানবা রিপোর্টশিংনা হায়, হূই লোইবা মীওইশিং নোংমদা ঙাইহাক্তং ওইরবসু হূই পুথোক্লগা খোঙকাপ খরা চৎলি। পীজ-পীথক তৌবা অমসুং হূইগী লৈফম শেংদোকপদা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌই। মদুনা মরম ওইরগা হকশেলদা য়াম্না চাউনা কান্নবা পী।

‘জর্নেল ওফ ফিজিকেল এক্টিভিটি এন্দ হেল্ঠ’কী রিপোর্টনা হায়, নোংমগী ঙাইহাক-ঙাইহাক হূই পুথোক্লগা খোঙকাপ খরা চৎপা মতমদা ৱর্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌগদবনি হায়না পীবা গাইদলাইন ঙাকপা ঙম্মী।

মমাঙ চহীদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়, হূই লোইবনা মমাগী পূক্নুংদা লৈরিবা অঙাংদসু কান্নবা পী। হূইদা য়াওবা বেক্টরিয়া মখল অমনা মরম ওইরগা অঙাংশিংদা অজমাগী রিস্ক হন্থহল্লি। হূই লোইবগী অতোপ্পা কান্নবা অমনা মীওইববু পূক্নিং-ৱাখল নুংঙাইহনবগী মতাংদনি। হূইগী মওং-মতৌ উবদা ঙাইহাক্তং ওইরবসু অৱা-অনা পুন্নমক কাউথোকপা ঙম্মী। নোংমগী শিন্থা পাঙলুরগা ৱানা হঞ্জিল্লকপদা হূইনা তরাম্না ওকপীবগী মওংদা হরাও-হরাওনা ইনাক্তা চেনশিল্লকপা উবদা হকচাং তেকখৎলকই। মসি পুন্নমক ‘ওক্সিটোক্সিন’ কৌবা হোর্মোন মখল অমনা ওইহনবা ঙাক্তনি।

হূইনা মপু উবদা হরাওবগী মওং-মতৌ উৎলকপা অমদি মখোয়না তৌথোরকপা মতৌ অদু উরুবদা ওক্সিটোক্সিনগী চাং ৱাংখৎলকখি। হূইশিংনা মতম পুন্নমক্তা লাইনিং ওইজরিবসু মতৌ করম্না মপুগী পূক্নিং -ৱাখল নুংঙাইহনগদগে হায়বসিনি। মরম অদুনা কেন্সর অমসুং পোষ্ট ট্রোমাটিক ষ্ট্রেস দিসওর্দর (পি টি এস দি) গা শাগোন্নদুনা হিংলিবা মীওইশিংবু পূক্নিং-ৱাখল নুংঙাইহন্নবা হোৎনবদা হূই শীজিন্নরি।

খ্বাইদগী নক্লবা মীওইবগী মরুপনি হায়না লৌনরিবা হূইনা মপু নীংবগী ৱাফমসি নৌহৌননা নৈনরুবগী মথৌ তাদ্রে। মদুমক্না নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী মীওইবনা হূইগা য়ুম অমত্তদা পুন্না লৈমিন্নরক্লিবনি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা মপু নীংবা হূইবু য়ুম শঙহনবদগী হেন্দোক্তুনা অতৈ অতোপ্পা কান্নরবা হীরম কয়াদসু শীজিন্নবা হৌরক্লে হায়রি। হেক পোক্লকপদগীনা শিদ্রিবা ফাওবা মীওইবগী য়াইফনবা খন্দুনতা লৈবা হূইনা মনম নম্লগা লায়না কয়া ইরায় লায়না খঙদোকপা ঙম্বগী ফীভমদা লাক্লে। হূইশিংদা মনম খঙবা ঙম্নবগী সেন্ট গ্লান্দ মিলিয়ন ৩০০ লোম য়াওই। মীওইবদা য়াওরিবা সেন্ট গ্লান্দদি শুপ্পগী মিলিয়ন ৫ রোমনি। মরম অদুনা মীওইবদগী হূইনা মনম খঙবা ঙম্বগী চাং শরুক ১,০০,০০০ রোম হেল্লি।

কুমজা ২০০৪ দা ‘ দোগস ফোর দাইবেটিক্স’ কৌবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওর্গনাইজেসন অমনা শেল থাদরগা হূই কয়া ট্রেনিং তৌহল্লম্মী। হায়রিবা হূইশিং অদুনা ইচম চম্না মনম নম্লগা মীওইবদা ব্লদ সুগর ৱাংবা নৎত্রগা নেম্বগী থৌওং ইরায় লায়না খঙবা ঙল্লম্মী।

‘মেদিকেল ন্যুজ টুদে’ দা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমদা ‘ দোগস ফোর দাইবেটিক্স’গী ইগজেক্যুটিব দিরেক্টর রাল্ফ হেন্দ্রিক্সনা হায়, হকচাং মনুংদা তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিংদা অহোংবা লাকপা মরম্না লায়না খুদিংমক্কী তোঙান তোঙানবা মনম লৈ। তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিংদগী মান্নদবা মখলগী কেমিকেল কম্পাউন্দশিং থাদোরকপা মরম্না লায়না খুদিংমক্কী মনম খেন্নবনি।

মনম খঙবা ঙম্বগী থোইদোক হেন্দোকপা মগুন চেনবা মরম্না হূইশিংনা তোঙান তোঙানবা লায়না মখলশিং মনম নম্লগা খঙবা ঙম্বনি। অদুম ওইনমক হিরম অসিগী মতাংদা হূইশিংবু অখন্নবা মওংদা ট্রেনিং পীবগী তঙাইফদবা লৈ। ট্রেনিং তৌদবা হূইশিংদি লায়না কয়াগী মনম খঙলবসু মীওইবনা খঙদগবা মওংদা চপ চানা উৎথোরকপা হৈতে। মতম খরগী মতুংদদি শেল তিংনা তোঙান তোঙানবা টেষ্ট কয়া তৌদ্রবসু অশিংবা মখলগী হূইশিংদা ইচম চম্না মনম নমহল্লগা লায়না কয়ামরুম ইরায় লায়না খঙদোকপা ঙম্বগী ফীভম লাকপা য়াই হায়না থাজনরি।

# পোজিসন লৌরক্লবা শুগনু এ সীগী মহৈরোয়শিংদা স্কোলারশিপ পীরগনি : রঞ্জিৎ

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস):

ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ব এগজামদা পোজিসন ২০ ফাওবগী মনুংদা চল্লকপা মহৈরোয়শিংদা থা খুদিংগী ওইনা স্কোলারশিপ লুপা লিশিং ৩/৩ এম এল এগী থাগী তোলোপতগী কায়থোক্লগনি হায়না এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা ঙসি শুগনু কৈথেলদা লৈবা চীং-তম কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মহৈরোয়শিংদা মনা য়েনবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

দিভলপমেন্ট কম্মিটি শুগনুনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা কাঙুজম মোহোরি সিংহ মেমোরিএল মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা হায়খি, ক্লাস টেন এগজাম অমসুং টুয়েল্ব এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংলক্লবা মহৈরোয়শিং পূক্লিং থৌগৎতুনা মনা পীবনি। ক্লাস টুয়েল্বকী আর্টস ষ্ট্রিমদা ওইনাম বার্লিননা ফর্ষ্ট পোজিসন অমসুং সাইন্স ষ্ট্রিমদা থোঙাম থোইথোইবনা ১৪ শুবা পোজিসন ফংলকপা অসি য়াম্না নুংঙাইবা অমনি। পোজিসন হোল্ডর অনী অসি অখন্ননা ওক্লবগী থৌরম পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বনি। অদুবু মীখল লৈখিবনা খরা চোন্থরগা ঙসি য়েন্থোকপনি।

লৈখিদ্রবা পাবুংনা এদ্যুকেসনগী লমদা হোৎনরম্বা কয়া অদুবু নীংশিংবা ওইনা মনা পীবনি। লৈখিদ্রবা পাবুংনা সেরৌদা প্রাইভেট য়ু জে বি স্কুল অমা লিংখৎলম্মী। সেরৌ প্রেক্টিকেল হায় স্কুল অসি ফুল ফ্লেজেদ ওইবা লৈঙাক্কী স্কুল অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা থৌদাং কয়াসু লৌরম্মী। শুগনু এ সী অসি এদ্যুকেসনগী লমদা অতৈ এ সীশিংদগী থোইনা তাবা এ সী ওইদ্রে। অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্তুনা লাক্লি। কুমজা ২০১৭ দসু ক্লাস টুয়েল্ব এগজামদা ১১ শুবা পোজিসন তাখিবা চিংলেম্ববু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা থা খুদিংগী লুপা লিশিং ৫/৫ পীদুনা লাক্লি। পাঙলতাবীদগী প্রেমজয়সু মেত্রিক এগজামদা পোজিসন হোল্ডর ওইরকখি।

শুগনু এ সীদা পোজিসন হোল্ডর কয়া অমা য়াওরকপা অসি নুংঙাইবা অমনি। মহৈরোয় চিংলেম্বা চিংথামগী ওইনা আই এ এস এগজাম থানবা হোৎনরিবা অসিদা থা-থা খুদিংগী লুপা লিশিং ৫/৫ পীবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা দিভলপমেন্ট কম্মিটি, শুগনুগী প্রসিদেন্ট এম মনিহলনা প্রসিদেন্ট ওইখি। শুগনু ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপার্সন এম শরত অমদি শুগনু ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট খাইদেম নিমাইচন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শুগনু এ সীগী মনুংদগী ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ব এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংলক্লবা মহৈরোয় কয়াদা মনা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

# সি এম বিরেনবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া কংলা পাখঙবা টেম্পল দিভেলপমেন্ট সোসাইটি পাউনা কৈথেলদা লৈবা লোইশংদা অপুনবা মীফম অমা ফমদুনা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু থাগৎপা ফোঙদোকপা অমদি তৌবিমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা মতম শাংনা তেক্তা কায়দনবসু কংলা ফমথৌ ৬৪গী মাইচৌশিংনা থৌনিখ্রে হায়না সোসাইটি অসিগী সেক্রেটরি ইংবা মঙাঙনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মতম শাংনা থমাইদুনা থন্বীরম্বা, ইশাগী শক্তম ঙাকচবা ঙল্লক্ত্রবা, কংলাবু লাইফল্লেন ওইনা শক্তাকপা ঙল্লক্ত্রবদা, বৃটিশনা কংলা ফোর্ট হায়না মিংথোল্লম্বনি। কুমজা ২০০৪দগী হৌনা কংলা ফোর্ট নত্তে লাইফল্লেন্নি হায়না হায় কোর্টতা ফাওবা চে থাদুনা খংহনবা লৈখ্রে। কুইরবা মতমসি হিরমসিগী মতাংদা তাবিদনা লাকখিবদু সি এম বিরেন্না ফুরুপশিগী খনবীদুনা মহাক্কী হাক্তক্তা ফোর্ট লৌথোকপিখ্রে।

সোসাইটি অসিনা নোংপোক থোঙ হাংবীনবা ২০০৪দগী অহৈবা চেরোল দিল্লি য়ৌনা ৱাকৎখি। কংলা শাগী ময়াগী কবাক লৌথোকপীনবা ৱাকৎখি। কংলা উত্রা শঙলেন শাবীদুনা অচুম্বা ৱায়েল চৎথনবা হায়জখি। কংলা লাইফম ১০৮ শুপচিল্লগা ৩৬৫ সাইন বোর্ড থেত্তুনা শক তাক্লবা হায়জখি। কংলাদগী অসাম রাইফলস লৌথোক্লগা ২শুবা এম আর, আই আর বি থন্বীনবা ১৯৯৭দা হোম মিনিষ্টর ইন্দ্রজিৎ গুপ্তদগী অয়াবসু পায়জখি।

কংলা মনুংদা ইনিংথৌ বোধচন্দ্র হাক্তক্তগী কংলা শঙলেন পীবিরমখি, আই আর বি কম্মান্দেন্ট ধীরেন সাহেবকী মতমদনা উত্রা ফিরাল মখোঙদা ওফিস মখোঙদা ওফিস কা ৪ পীবিরম্মী। অদুবু ২০০৪ দগী মণিপুর লৈঙাক্না পায়খ্রবা মতুংদা ২০০৮দা তান্থোকপিরকখি। খুদিংমক তাবিদনা লৈরম্বদু এন বিরেন্না লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা চীংমী-তম্মী, মৈতৈ পাঙল খুদিংমক অমত্তা ওইনা উবিদুনা শেমগৎপীরক্লি। এন বিরেন খোংলৈ তাকপা পুয়ানা শৈথাবা অৱাং নোংপাক চীংঙ্খৈ লাল্লুম্বনা লৈঙাক্লকপা তুংদা লৈপাক মরা চেৎকনি হায়বদুমক ওইরে হায়না মাইচৌশিংনা শিংথানখি। ঙসি ফমখিবা মাইচৌশিংগী মীফমনা এন বিরেনবু তেক্তা কায়দনবা থৌনিখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

# যোগ দেগী প্রি পব্লিসিতি কেম্পেয়ন

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস):

ইন্টর্নেস্নেল যোগা দে ২০১৯গী মতাংদা মাঙজৌননা মীয়ামদা খঙহনবগী নোংমগী ওইবা থৌরম অমা ফিল্দ আউটরিচ ব্যুরো, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফালনা শিন্দুনা ঙসি ইবোটোম্বী ইনষ্টিট্যুৎ ওফ এদ্যুকেসন, কাঞ্চিপুরদা পাঙথোকখ্রে হায়না ব্যুরো অসিগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর থোকচোম এম্বোনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইবোতোম্বী ইনষ্টিট্যুৎ ওফ এদ্যুকেসন, কাঞ্চিপুরগী প্রিন্সিপাল আর কে সনাজাওবানা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্টস সাইন্সকী রিসার্ছ স্কোলার খদাংবম মুক্তানা রিসোর্ছ পার্সন ওইখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংদা ওর্গনাইজরনা ইন্টর্নেস্নেল যোগা দে ২০১৯দা শরুক য়াবিনবা হায়খি। যোগনা হকচাংবা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদা খদাংবম মুক্তানা মরীক চুম্বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

কেম্পেয়ন অদুগী শরুক অমা ওইনা যোগ পোষ্টরগী দেমোনষ্ট্রেসন কন্টেষ্ট অমদি যোগগী মতাংদা ক্যুজ অমসু পাংঙথোকখি। ইবোতোম্বী ইনষ্টিট্যুৎ ওফ এদ্যুকেসনগী প্রিন্সিপালনা প্রাইজ অমদি সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ঙা মচা থাদখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস):

নমথালোংদা লৈবা পুখ্রি অনীদা সোসল ৱার্কর লাইশ্রম মনিনা ঙা মচা থাদখ্রে। ঙা মচা থাদখিবা অদুদা এল মনিনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০১৯ দগী ঙা মচা থাদবা হৌজরকপনি। ঙসি লাঙ্গোলগী মফম ওইরিবা থাংমৈবন্দ এ সীগী মনুংদা লৈরিবা নমথালোংদা লৈরিবা পুখ্রি অসিদা থাদরিবা অসিনা ঙা মচা থাদবগী অরোইবা ওইরগনি।

মে ২ দগী ঙা মচা থাদবা হৌরকখিবসি কংজাবি লৈরক, মৈনম লৈরক্তা লৈবা পুখ্রিদা থাদখি। পুখ্রি কয়াদসু ঙা মচা থাদবা লৈখ্রে হায়রি।

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ +91-9612194500

EDUCITY

SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI, IMPHAL WEST

3rd SUMMER CAMP

Let your child be at the right place of care & knowledge

22nd June to 14th July, 2019

Age 3 to 12 Years

Timing: 10:00 am to 3:00 pm

Enrolment Starts from 15th June, 2019

GENERAL PROGRAMS:

(A) CREATIVE ACTIVITIES (B) ACADEMIC (C) DANCE CLASS
(D) PERSONALITY DEVELOPMENT (E) GAMES & SPORTS (SWIMMING, INDOOR & OUTDOOR)
(F) ARTS AND CRAFTS (ORIGAMI & OTHER MATERIALS) (G) AEROBICS AND MARTIAL ARTS
(H) SPELLING, DRAWING, POEM & SONG, ARTS & CRAFTS COMPETITION
(I) RESIDENTIAL CAMPING FOR FAR OFF STUDENTS

LIMITED SEATS!!!

VAN FACILITIES: (Limited route)
N.B.: Available Special package for Van Driver (Please call/visit our office)

HL-B/5474/13-22

RG RaDiant Group Let Us Grow Together

Address: Corporate Office, Sega Road, Keishampat, Imphal-01

Manpower Requirements

Date of Interview 14th June 2019

Interested Candidate may apply for the positions below with updated bio-data/Resume by Walk-in between 10:00 am -4:00 pm or SMS / Whatsapp us at +91-9774132616 with <Name><Position>

| UNIT | Position | Exp. | Post | Education | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| Corporate | Manager | 1-2 Yrs. | 1 | Graduate preferably MBA | Negotiable |
| Corporate | Internal Auditor | 2-3 Yrs. | 1 | B.Com. | Negotiable |
| Corporate | Assistant Internal Auditor | 0-1 Yr. | 1 | B.Com | 6,000-8,000 |
| Corporate | Accountant | 0-1 Yr. | 1 | Graduate preferably B.Com. | 6,000-8,000 |
| Corporate | Cashier | 0-1 Yr. | | Graduate preferably B.Com. | 5,000-7,000 |
| Corporate | Assistant Accountant | 0-1 Yr. | 1 | Graduate preferably B.Com. | 5,000-7,000 |
| Corporate | Office Assistant | 0-1 Yr. | 1 | Graduate | 5,000-7,000 |
| Corporate | Software Developer | 0-2 Yrs. | 1 | Computer Sc./IT Graduates | Negotiable |
| | | | | | |
| Marketing and Sales | Content Writer | 0-2 Yrs. | 1 | Graduate and above (English) | Negotiable |
| Marketing and Sales | Marketing Associate | 0-3 Yrs. | 1 | MBA in Marketing | Negotiable |
| Marketing and Sales | Marketing Executive | 0-2 Yrs. | 1 | MBA in Marketing | Negotiable |
| Marketing and Sales | Digital Marketing | 0-2 Yrs. | 1 | MBA / IT Graduates | Negotiable |
| Marketing and Sales | Business Analyst | 0-2 Yrs. | 1 | MBA | Negotiable |
| | | | | | |
| Fitness | Trainer (Female) | 0-1 Yr. | 2 | N/A | Negotiable |

HL-B/5441/10-14

Sd/- HR Generalist
RaDiant Group

# ঙসিগী রাশি ফল

অহৈবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।০৬।২০১৯ ইং, থাংজ, নুংথিল পুং ২.৩০ ফাওবা ইঙাগী ১৩ নি পাল্লি, মতুং ১৪নি পানগনি।

মেষ : অয়েৎপা খরা চেনবা, শেল খরা মাঙবা অমদি হন্থবগা খৎনবা য়াবা লৈ-নাপল তৌগনু। লেংদবা লন চাওখৎপা, পাউ নুংঙাইবা তাবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ : নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা অমদি শেন্দোং তানবগী থবক্তা লেম্নমক মাই পাকপা নুমিৎনি। নোল্লুক্লা চৎলদি য়েক্লবা হন্থগনি অমদি মীতোপ থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা য়াম্না চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : অফা-অপুনগী থবক য়াওরুনু, নথক থোংবনা চানবীবা ৱাৎলি অদুনা নথৌ পাংবদা চেকশিন্দবা তৌগনু। নীংবদি থুংগনি, নচাক-নরল চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : ঙাঙথোকপদা অফবা মীনা থাগৎপিগনি। অকিবা মাঙগনি অমদি য়েৎনবা কোক্কনি। নক্লবশিংগা মতেং লৌনবা য়াগনি তুংগী থৌরম য়াৎপা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ফিংদবনা মফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ : মীয়াম লোইনবগী কান্নবা ফংবা লৈগনি, নঙগী ওইবা মীশিংগা লোইননবা হোৎনৌ মদুনা য়াইফগনি। খুৎচাউ থাবা মাঙগনি, হকচাংগীদমক চেকশিনবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা : মাই পাক্কনি, মীচং হেনগৎলি অমদি শেল-থুম ফংবা য়াবসু লৈগনি। অতনবনা মাঙহনবা, মীৱা লৌবনা থবক মাঙবা অমদি পাউ নুংঙাইতবা তাবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মাই পাকপা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : অনা-অয়েক কোকচৈ, মীয়ামগা মরী ফগনি, থৌনা লৈ অমদি লন চংগনি। অদুবু থবক ইপাং পাংলোই, ইচং থৌবা মতাং চাদে, অরং-অরাক চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - অশংবা/কিসমিস।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

বৃশ্চিক : ৱাখলগী পাঙ্গল হেনগৎপা অমদি ৱাঙাঙ হৈবনা মীয়াম্না থাগৎপিবা ফংগনি। পন্দুনা লৈরম্বা শেলনচিংবা ফংবা য়াবা মতাং লাক্লে। য়েৎনবদি য়াদ্রি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : নথক থোংবনা য়ানবা চৎপনা খ্বাইদগী হেন্না য়াইফবা ওইগনি। ৱানোম থৌনোম কান্নগনি অমদি হোৎনরদি মীকোক থোংবা ঙমগনি। মীৱাদি লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর : শেল অমদি মীচং ফংগনি, অনৌবা থবক পাংবগী নুংঙাইবা অমদি মরুপ-মপাংনা য়াম্না চানবীবা লৈগনি। অফবা মীংচৎ ফংগনি। হকচাংদি নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

কুম্ভ : য়েক্লবা হন্থরগনি, হকচাংসু নুংঙাইরগনি অমদি শেল-থুমগী থবক্তা হোৎনরদি কান্নবা ফংলনি। অখঙ-অহৈ তানদনা অরুবা ৱারেপ লৌদবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মিন: হন্থবা লোইনবা অমদি খন্থদনা থবক পাংবনা মীপাইবদুম নংগনি। মীতোপ্পা মীচং হন্থনবা শিনবা লৈগনি-মীতোপ থাজগনু। লাই গুরুনদি চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংলপ্পা নুংঙাইবা পাউ তাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।